# ৱারীমচা

## ৱাকৎ অমত্তং

*য়েন্দ্রেম্বম রনধির কুমার*

নোং হাংখিবদা ঙায়রি। লম্বীদু চোৎলি। নুংশা থোরক্লি। ইম্ফাল মনুংগী মী চিল্লবা লম্বীগী নাকন্দুদা লম্বী মপান্দা অচা–অথক য়েরুম তল হৌদুনা য়োনবা কাংখোঙ পানবা উপু দুকান পরেং পরেং লৈরিবদুগী মনাক্তা লেপ্তুনা ঐসু য়েরুম তল হৌহন্দুনা চারি। গান্ধী এভেন্যুগী ৱাই শঙদ্রবা মফম অমদনি। ঐনা লেপ্লিবা মফম অদুগী অৱাংলোমদা লাউ–খোংনা কপ্পগী খোঞ্জেল অমা তারক্লি। খোঞ্জেল অদু অঙাংগী খোঞ্জেলনি। থাদি থাজদে মফম অদুদবু অঙাংনা কপ্পা লাউবগী খোঞ্জেল তাগনি হায়বা। না থাঙ্গৎতুনা মায়কৈ অদোমদা য়েংদুনা লৈখি। অতৈ ৱাখল অমা চঙদনা খামলিবা অমদি হঙ্গৎ হন্দা চৎলিবা গাড়ী অমদি মীয়াম অদুগী মরক্তা খোঞ্জেল অদুতমক তাখি।

মায়কৈ অদোমদা অসুম য়েংদুনা লৈরম্বদগী উরকই, চহী ১০ রোমগী নুপীমচা অমা তোঙান তানা। মোৎলবা য়াম্না মন্থরবা হঙ্গাম মপাল মচুগী স্কর্ট অমা শেৎলি। মশম মনাদু ইফা ফাই। মহাক লৈবাক্তা খোঙ থীল্লি, মশা অদু কপ্না কপ্না ফর ফর হাইরি। অপাম্বা অমা ফংদবগী ৱারৌরবা অঙাংনা য়াম্না পেন্দনা কপ্লগা খাঙবগুম্না। য়েরুম তল অদু থোইনা চানীংবা পোক্লুদরে। অতাবা শেল অদু শৎ পীথোক্লে, অচোইবা খরা হল্লকপা অদু লৌরগা নুপীমচা অদুবু খরা হেন্না নক্না উবা মফম অমদা লেপ্তুনা লৈ। মাগী মতৌদু ঐ য়েংবা ঙমদে। মাবু হুন্দোক্তুনা চৎপসু ঙমদে। অচা–অথক য়োনবা দুকান অমদা মমায় অদু ওনশিল্লগা য়াম্না পেন্দনা লাউ–খোংলদুনা কপ্পি। মমায় মমীৎ মখজাই পিনা পূমচোৎ চোৎলে। লৈখোম মরক অদুদা মখোঙ থীল্ল–থীল্লগা কপ্পদুদা মশা অদু লৈখোম্না চোংদুনা মচু ওনবমখৈ পূমতৈ তৈরে। ইখঙ খঙহৌদনা দুকান মনুংদগী দুকান ফম্বা বিহারী মহাজন অমা ফিংনা থোরক্লগা নুপীমচা অদুগী মখূৎতা শেল অচোইবা অনী'হুম পীরম্লগা ফৎ শাউনা চঙখি। অদুবু অঙাং অদুনা পৈশা অদু লৌশিন্দুনা পায়শিনবগী মহুৎতা দুকান তম্না ৱাহৈ খরা লাউরগা লাক্তুনা লংশিনখি। অদুগা হান্নগী মতৌগুম্না মখা তানা কপ্তুনা লৈখি। মরীল য়াম্না খানা কপ্পী।

ইনাক্তা লেপ্লম্বা নুপা অমদা হংলুই, 'করিগীনো মানা শেল অসি পীরগা লৌশিন্দনা লংথোকখ্রিবসে?'

'মহাক্না দুকান্দার অসিদা পৈশা নিরুবদা দুকান্দার অসিনা শাউনা লূখমদা খূপাক্না থাবগীনি।' নোক্লগা ইথৌ থৌওইদনা খুল্লকপনি, 'হৌজিক্তা শেল পামদুনা দুকান অদুদা শেল নিরুরগা হৌজিক্না কয়া থুনা। শেলবু পামদদুনা চেগায় মচেৎকুম্না লংথোক্লি। হৌজিক মহাক শেল পামদ্রে।' পীক্লিবা নুপীমচা অমনা অসুম্না অসুক শীংনবা ঐ উখিদ্রি, অনীরক হন্না উগনি হায়বা খল্লুদে।

মঙোন্দা থওই উশীৎতবা তৌবীখি হায়রিবা দুকান্দার অদুনা শেল অচোইবা অদু গিৎ নমশিন্দুনা পীরম্লগা হন্না য়েংলমদনা দুকান মনুংদা চঙখ্রবা ফাওবা অঙাংদু মফমদু থাদোক্তুনা চৎতদুনা লেপ্লগা দুকান্দুদা ওনশিন্দুনা কপ্লগা অদুম লৈরে। মীৎফম হোংদনা মাবু য়েংদুনা লৈখিবা ময়াম অদুগী মরক্তা ঐসু অমনি। খরদনা কূম্মৈ, খরদনা থম্মোয় শোক্লবা শক্তম। মানা কপ্লিবা অদু কনাগুম্বা খরনা নোক্লগা নুংঙাইনা য়েংলি। খরনা মচীন্দা শোল্লগা চৎখি– অঙাং অসি ঙাওব্রা করিনো? মফি মোৎতনবা লম্বী খন খনদুনা চৎনখি। হন্দকমুক্তি দুকান্দারদু অশাউবা মায়থোঙ উৎলদুনা পীশুম শুক্লগা নুপীমচাদু তম্না অনীরক শুবা ওইনা চেপ্থোরকই। কিরদুনা নুপীমচাদু লম্বী ৱাংমদা খংচেন চেন্দুনা লাপ্থোক্লগা দুকান্দুদা অদুম ওনশিন্দু কপ্পা লাউবা তোত্ত্রি। মা মফমদু থাদোক্তুনা চৎকে হায়না সুংখন খন্দ্রি। দুকান্দারদু মনুংদা চঙখ্রে, অদুগা অমরোমদা নুপীমচা অদুদি লৈমায়দা থরো মাল্লো ওন্দুনা কপ্লম্বদগী মনাক্তা তারম্বা নূং অমা তাপ পায়খৎতুনা খূৎলৈ থুনা দুকান অদুদা লংগে তৌই, ময়াম চঙদুনা খাম্মী। করিগী কপ্লিবনো হায়না মনাক্তা লৈরিবা মীশিং অদুনা হংলিবদুগী পাউখুম ওইনা অঙাংদুনা কপ্পদুনা পী। ৱাহৈ অমত্তা থোরকখিদে মাগী চীম্বালদগী।

ঐ মনাক্তা চঙশিল্লি। খঙহৌদনা মাগী মনাক্তা লেপ্লুই। করম্না চিংশিনখিবনো খঙহৌদে। মাগী মরাল লৈত্রিবা অপীকপা মখূবাক্তা থম্মোয় শেংনা লুপা ১০ খক্তং ওইরবসু হাপকে খল্লি। (অদুবু ওইরিবা মাগী পূক্নীংগী ফীভম মতা অদুদা মদুবু পীরুবদা মদু মানা হরাউনা লৌগনি হায়বসি ঐ চিংনখি।) ইমুংদা চঙখিবা দুকান্দার অদু মখূৎতা লীচৈ অমা পায়দুনা অঙাং অদু তম্না শাউনা হাৎলগে মতাগুম চেপ্থোরকপদা ঐহাক্না মাগী লীচৈ পায়রিবা মখূৎ অদু ফাবা তাখি। অঙাং অদু মাগী অঙাঙবা শেন্দল মচাশিং অদু হুন্দোক্লম্লগা মখা পাংনা য়েরুম তল হৌরিবা অমদি গাড়ী মচা ময়াম খাম্লিবা মফম অদোমদা চেল্লগা লোৎখরে। দুকান্দার অদুনা মচীন্দা য়াম্না শাউনা ঙাঙদুনা ইমুংদা চঙখিবদা মরোল মরী ইশু শুদনা শোনখি– অঙাওবীগী মচা, অঙাওবীগী মচা ... হা! ঐ ৱা অমত্তা ঙাঙদনা লৈহৌখি। মহাক্না হায়রম্লিবা ৱাহৈশিং অদু ঐঙোন্দা ওইনা থোকখি।

হৌজিক অঙাংদু ঐগী ইনাক্তগী লাপ্না চেনখ্রে। লুপা ১০ খক্তংদি মঙোন্দা পীগে নীংবদু ফংলরোইদ্রা চিংনরক্লে। অদুবু মানা অফিং–অফাই ওইনা হুন্দোক্লম্বা সেন্দল মচা অমনবা জুরা অদু ইমাঙমক্তদা অউপ–অরোং তৌদুনা তাদুনা লৈরি। শেন্দল মচা অনীদুনা করিগুম্বা খরা হায়বগুম তৌই ঐগী ইফমদা। ঐগী থম্মোয়গা মরোল অমা ফাওনবগুম তৌবা হেনগৎলকখি। অঙাং অদুনা মফমদুদা অমুক হন্না লাক্তুনা শেন্দল অদু লৌরনবগী পাঙ্গল লৈররোই। মহাক দুকান্দার অদুবু মমৈদদি তশেংনা কিদুনা চেনখ্রে। মাগী ৱাকৎপগী পঙখৈ ওইহনখ্রে। মহাক্না লোৎলিবা মফম অদুদা হান্নগা গাড়ী মচা খাল্লম্বা নুপা অমনা মাগী গাড়ী মচাদু ইম্থোকপা চঙলকপদা ঙসাইগী মাবু পুরকখিবা মহাজন অদু ওইরবোই নীংদুনা ঈথক থক্কৎনা কিনা লেপ্লম্বা মফম অদুদগী নাম্থোক্তুনা চেনখিগে তৌই। মানা তৌরিবা পূম্বদু ঐনা উবা অদুম ফংই। মঙোন্দা অমুক য়েংই অদুগা মাগী শেন্দলদুদা অমুক য়েংই থাপ্তক্না। অদুগা ইনাক্তা লেপ্লম্বা দুকানগী পাখঙ মচা খরদা হংলুই ঐনা–

'অঙাং অসি মশক কঙবরা?'

'খঙই। মমা অদু মরক মরক্তা মনা–মশিং য়োনবনি। মমাদু মীরোল অমা ইতা তাদবনি। মপাগা মমাগদু খাইনরে হায়। অঙাং অসিনা মরক মরক্তা দুকান্দগী লুপা অমা–অনী/অমা–অনী নিবা হেক হেক লাকই।'

অমুকসু তুংদা লেপ্লম্বী নুপী অমনা করিনো খরসু হায়রকপদা মঙোল্লোমদা মায় ওনশিন্দুনা তারুই। মানা হায়রকই– 'অঙাং অসিনা ফংলকপা পৈশা খর–খরদুনা মমাগী মতেং খর–খরসু ওইনবনি।' মাগী মরমদা মী পূম্নমক খরা খরদি খঙনরে, অদুবু মাগীদমক কনামত্তা পাম্বোল তিংবদি ঙম্নদে। ঐনা হায়ফেৎ খঙলবা ৱাফম অদু অমুক্কসু খঙনীংনা হংলুই।

'করিগীনো! অঙাং অসিনা অসুক খোয়দৌ থীৎনা শাউরিবসিবু?'

লেপ্লম্বা নুপা অমনা য়াম্না খঙনা খুল্লকই– 'মহাক্না পৈশাদু লাক্তুনা লংশিনখিবা দুকান অদুগী মহাজন অদুদা মানা পৈশা খরা... নিরুবদা মহাক্না পৈশা পীবগী মহুৎতা মাগী লূখমদা খূবাক্না কয়ারক হন্না থারুরমাল্লে অদুগীনি। ... ঐসু দুকান্দুদা পোৎ অমা লৈবগী লৈবনি... খরসু হাকমল্লবা নিবগী থবকসি লমদম অসিদা। 'ঐ পিং লাউখি, হায়রুই শাউরংননা 'সিবু নিনীংদুনা নিবরা, খূৎনি... খূৎনিদা লৈরে, খূৎনি খৈন্নে।'

মাঙদা তারিবা সেন্দল জুরাদু তাপ পায়খৎতুনা অঙাংদুগী মনাক্তা পুরগা চৎলি। চপ লেপ্লিবা অঙাং অদুগী মখূৎতু তাপ থাঙ্গৎলগা সেন্দল অদু পী, লৌ হায়বা য়াদে। পাদ্রাক–পাদ্রাক তারবা পঙথরবা খূৎ অমগুম্না। নমদুনা পায়হনবসু য়াদ্রে। মমায়দা চোইজাইননা তারিবা পি অমদি হুমাংনা চোৎলবা মশমশিং অদু ঙাইহাক লৈতনা খূৎ য়েৎ ওইগী খূদাং অনীদুনা খংহাই–খংহাই হাইগৎতুনা খোমগৎলি।

নুপীমচাদু পেহৌ–পেহৌ তৌরদুনা হীক–হীক তৌবা লেপত্রি। য়াম্না শাউনা মমায় অৱাং ওম্থোক্লগা দুকান অদোমদা নীংঙমদনা য়েংলি।

মনাক্তা লেপ্লম্বা নুপা অমনসু লুপা ১০ গী নোট অমা মখূৎতা পায়হন্নবা লাক্লরম্লি। মহাক্না মদু পায়শিল্লু য়াদে। ঐনা লুপা ১০ অমগা হাপচিল্লি মহাক পৈশাদুদা হাইফেৎ য়েংই। অনীরক হন্না য়েংদে। নমদুনা ঐহাক্না মঙোন্দা লুপা ২০ অদু মখূৎতা পায়হল্লি। অদুবু পীরিবা শেল অদু লৈবাক্তা থাদরম্লগা মহাক্কী সেন্দল অদু লৈমায় মথক্তগী লৌখৎলগা হন্না য়েংলমদনা অমুক কপ্ল–কপ্লগা মনীং পাংনা চৎখরে। কদায় তম্না চৎলিবনো খঙদে অমুক।

ও! মহাক্না পাল্লিবা অসি শেলদি নত্তমাল্লে, শুপ্নতগী মীনুংশি অদুতমক ওইরমাল্লে। লুপা ১০ চৎপী অনীদু লৈমায়দা তাদুনা অসুম্মক লৈরি।

**(ৱাখলদগী)**

# শৈরেং

## শান্তিগী মমা মশা ঙমদে

*– নাওরেম অমুয়াইমা*

শান্তিগী মমা মালেম লৈমা
মশা ঙমদে তাবা কুইরে
নোংমতা চত্তুনা হংঙুবা ঙমদে,
শান্তি মদোমতা সেবা তৌরি
অতৈ মচা অমত্তনা নোংমতা হংলদে
চায়াম পোকপী মমাগী অৱাবা।

ওক্তবা মচাশিংগী খনবদা
ৱাখলগী লায়থুংনা লাইহৌ হৌরবা
নোংমা নোংমগী অনাবা হেঞ্জিনখি
হিংবগী আশা লৈত্রে হায়নখি,
ৱাই শংনা শিবসু ফংগনি থাজদে
লৈবদি য়ারিবা শিবনদি ফরবা
নুংশি শান্তিনা ৱাবদু উরগা
মমা নুংশিবা মচা লৈরক্তুবা মতমসিদা।

মিহুন চাম্মনিপান মেত্তুনা য়েংঙি
থোপকী মাইবনা লাইশক ফাবা ঙমদ্রি
হীদাক পূম্নমক চম্মি কান্নদে
নম্বর অনীগী মতম লানখ্রবা হীদাকনি
মীসু মতম লোয়খ্রবা ঙাক্তনি।

মাইবা পূম্নমক খূৎ থাঙ্গৎখি
খোংবান লাই তীনখাক লাই
চাকথা লৌদ্রে উকল লৈত্রে
খোইদৌগী মিহুল লুপ্তুনা লৈরে।
উপায় লৈতে শিবগী মতম ঙাইবনি
মমা করম্না কনশিগে খনবদা
শান্তি হিংবগী মহাও ফংখিদ্রে
নরক্তা লৈবগা মান্নরে।

শ্বর হোনবা চনীং তাদ্রে
ইন্টেনশিপ কেয়ারদা ওক্সিজেন পাল্লে,
অনাবা কয়াগী লোয়নবা কয়া তিল্লি
শান্তিগী মচীন–মনাও অমত্তা লাক্তে
মতম চিনবনা শংদবা ওইরমগনি
মতমদি করম্বা কান্দা শংগনি?
শান্তি কপ্পি তুমিন তুমিন্না
মমাগী মতম্বাক্তা চোং ফন্দুনা চাউরকপা
মখোয়বু ৱানা য়োকপীরকপদু নীংশিংলক্তুনা
ইমা হায়বদু অনীশুবসু নত্তে
শিরনি খঙলবসু শান্তিনা থাজদে
শোল্লবসু লৈহন্নীংঙি থৱায় লুম্মি
শিখ্রবদি অমুক হন্না উনগদ্রা ইমাবু
মমা লৈত্রবদি মচীন–মনাও কায়নরগনি
নুংশিখ্রবা ইখোল অদু হাংহৌরগনি
শান্তিগী লৈফম মাঙখ্রগনি।

## ৱাকৎ য়াওদ্রবা

*– থৌনাওজম খম্বা মৈতৈ*

ঈচেল লৈত্রবা তুরেল
ফিথোংদ্রবা কয়াৎ
মহাও য়াওদ্রবা পুন্সি
মঙাল লৈত্রবা মফম।

লৈনম চেন্দ্রবা লৈরাং
পাইবা ঙমদ্রবা খোইমু।
ইবা ঙমদ্রবা, পাবা থোক্তুবা
লাইরিক হৈবা অহৈবা।

মখুম য়াওদ্রবা লীক্লি
শাখপ্নদ্রবা চেক্লাচা
ঈপাক য়ৌদ্রবা ঈচেল
পূক্নীং ময়োল চোংদ্রবা ঈশৈ।

হুক্নীংঙাই লৈত্রবা
পম্বুং লৈরাং কুন্দোগী
নুংগী ৱাখল।
ৱাকৎ য়াওদনা হিংবা তারি
ৱাকৎফম লৈত্রবা লমদমসিদা।

## মারৱারী অমা

*– নিংথেমপিশক ৱাইরোকপম*

মণিপুর সনা লৈবাকসে
লাইশঙ খক্তা নত্তনা
শোরোকফাও কাংশি খীংলিবা
লাইরৈবাক ওইবগী তৌবরা?

উমাইবীনা য়েন্নাও লাকখ্রবরা
মৈরা পায়বীনা থিরিবা,
তৌরম্ননি কৈনো অমদি
খল্লি, মারৱারী অমনা
পোৎ শীৎতবা মতমদা।

কুমশিগী বন্দসে য়ামখ্রেদা
সুম চারবা কংতক্তো
উবদা মথ্বায় নুংঙাইতে
লৌশিং অমা পুথোকখি।
মঙ্গল বোরা খুদিংদা
কিলো অমমম য়ানশিনখি।

গোডাউন হাঙল মতমদা
নোকফেৎ নোকফেৎ তৌদুনা
থল্ল বাক্সি য়েংদুনা
পানা মতপ শায়রগা
অশাবা স্বর হোন্দোকখি।

## পাপ

*– ইরোম মোবি*

ঙমগনি হায়দুনা উকিলনা
লৌ মচেৎ অমা লৈজবদু য়োম্থোকই
অরৈবা শেল মখৈ লোয়না লৌবিখ্রে
অদুগা ইচানুপানা জেলদা পুন্সিগী লৈরে।
হৌজিক্তি চানিংঙাই থক্লিংঙাই লৈতরে
অৱাবগী ঈপাক্তা লংথবিরম্লে
মহাক্না পাপ অমা লংশিল্লবসু
নুংঙাইবা হায়বদো ওইখরে।

## চয়েৎনবা

*– কামিনিকুমার*

অনী থোকপীগী লীচৎ
থাদোক্লবা য়াদ্রবা ঐখোয়গা
হৈনবী য়াম্না চুশিন্নবা
ওইরক্লি অমা কন্না
য়াওরিবা ঐখোয়গী ঈদা
হৈনবী শাজৎ অসি
ওইহন্নীংই মুৎনাইবা অমদি।
ঙাংনৈ ফনা য়াম্না
লাউনৈ ফনা য়াম্না
লৈতে তোকপা কৌবা
ময়েক শেংলকই হেন্না–হেন্নদুম
অনী থোকপীগী লায়না
মসিনা খুন্নাই অসি
য়ারক্ত্রে মায়কৈ চুম্না পুবা
মমাঙদসু শকমান–লেঙমান্নবগী
খুন্নিংঙাইনি ইকাই ফীরুক।
ৱাহম্থোক অনী হন্দুনা ইতিহাসপু
হৌরক্লিবা কয়াবু
লংশিল্লি অমম্বা ঈপাক্তা
মাঙদ্রিমখৈ অনী থোকপীগী লোনচৎ
জাতিগী অশেংবা মশক্তি
ওইথোক্লরোই ফজনা য়েকপা।
মসিনা ঐখোয়বু
থকসি–খাসি লৈতবা
অনীংবা তৌবদা নীংতম্বা
ঐনা অচুম্বনি, ঐনা অশেংবনি
হায়বা মীওই মশীং খঙদনা
লৈবা জাতি অমা
ওইনা খঙখিনি শক।
ঈতিহাসকী অচুম্বদা
পাদম চৈ লৌবা
পুথোক্তুনা বৈজ্ঞানিক ওইবা মওংদা
ওইহনগদবনি য়েৎনদবা ৱাফম
য়ান্নরবা অমত্তা ওইনা
মাঙখিগনি অনী থোকপীগী লায়না।

## সৈত্যা! নুংঙাইরেদা সারিসো!

*– কে ইমো মৈতৈ*

মতমসিদা নুংঙাইহৌদ্রবদি নুংঙাইররোইএ!
সি এ বি ৱাথোক তোকখিদা ঙাইরি
অফম্পা মখুমসু হাংদোক্লক্লে
ফ্রেমৱাকসু ৱাকিং হৌদোরে
এস টিসু লমজেল থাদৌরে
হোমলেণ্ডসু নিংঙাই লাক্লনি
ৱেঠব্রীজসু ফীজংনা কুপখরে
লোক্তাক প্রোজেক্টনা তুমখ্রবসু
অনৌবা প্রোজেক্ট লাক্কদৌরে
ঙাল্লরনি লমদমসিদা মৈঙানশিং
ৱাটর এ টি এমসু হাংখরে
কোম্বীংসু লেপ্তুনা চখরি
অচুম্বা অরানবা খঙলমগদ্রনে
মীখলগীসু অচুম্বা তান্নরক্লনি
লাল্লিবদি মখোয় পূম্নমকনি
ৱাথোক লাম্থোক লোয়ররোই
নোংজু থাসু লাক্লনি
কাঙগী ইরাংসু কল্লনি
আবেরসু য়াউশঙ লাক্কদৌরে
মীশি মীনাসু কল্লক্লনিকো
সৈত্যা নুংঙাইরেদা সারিসো।

# তাবুনুংদগী

*কবিরত্ন লাইশ্রম সমরেন্দ্রনা ১৯৭৪ দা ''মমাঙ লৈকাই থম্বাল শাৎলে'' কৌবা শৈরেংগী লাইরিক অমা ফোঙখি। লাইরিক অদুদা য়াওবা ''রিপোর্ট'' কৌবা শৈরেং অমা ঙসিগী ওইনা তাবুনুংদগী লৌখৎচরি।*

**রিপোর্ট**

ঐগী মিং গোপেশ্বর
ইপাগী মিং ব্রজেশ্বর
ঐগী লৈফম কৈশামথোং
লৌ– লৌ লৈতে
ইখ্খোল–ইখ্খোল লৈতে
ষণ–ষণ লৈতে
তলব–তলব চাদে
করবার–করবার তৌদে
চহী–ইশাগী চহী নীফুমাথোই
নুপীগী মিং রাধারাণী
নুপীগী চহী কুন্থ্রানীথোই
পূন্না ইচা তরামাথোই
নুপা তরুক
নুপী মঙা।

**লাইশ্রম সমরেন্দ্র**

# মণিপুরী পাম্থৈ –পাউরৌ, পাউতাক

* **কদায়দা তাই, লাদা তাই।**
  – চেক্তা চেকশিল্লক্লগা থৌবুদা হেক মতায়।
* **কখোকপা পীথোকপনা নুংশিনবগী লীপূন ওই।**
  – ওইজবা য়েংলগা মরুপ থিববুদি কখোকপনা হেননা নুংশিনবা হেল্লি।
  – থম্মোয় চাউথোক্লরবদি নুংশিনবা হেল্লি।
* **করিসু খঙদবা অহলদি অঙাংনি।**
  – চহী য়াম্লবা অহলদি অঙাং ওল্লকই।
* **করাম চাউবগী অওকপা লৈতে।**
  – হেঞ্জিন্না পাম্বা হায়বসি অপেনবা লৈতে।
* **করতাল মরী তেল্লি ঈশৈ মতেক অমা ঙংনিংদে।**
  – থবক অমা তৌবদা চঙগদবা পাঙ্গল মতমগা ফংগদৌরিবা অৱামনগা খেন্নবনা হৈনীংবা পোক্তবা।
* **কতন য়াহৌথেং, পোমফি হিকমাবী।**
  – থবক শুনিংদবা ফমুংদা ওমদুনা লৈগনবী।
* **কৃষ্ণসু শাবা জগোয়সু ঙাকপা।**
  – অমসু অমসু শোয়দনবা তৌবা।
* **করিগী শগোল মশানো, কাওসু কাওদে।**
  – হায়বা য়াবমখৈ হায়রবসু মচী লেঙদবা, থবক তৌদবা।
* **করি পামেল উনা শাবা তরেঙনো শিঞ্জংদেদা শিংগাওরে।**
  – মহৈদি হৈত্রগা খূৎলাইদা তাইনবা।
* **করিনুংগী মী ওইনা পোকচরুবা।**
  – মপূক্নীং নুংশিবা মরম খরা লৈবদগী পেন্দবা ফোঙদোকপা।
* **কফূৎ কনাইদগী হৌরকপা মী।**
  – হৌরকফম ফত্তবা, জুগোৎ চাদবা মী।
* **কহা–মাং খুজাই কাই**
  – অরেম্বদা তাবা, কান্নবা ফংদনা তোকপা।

**খোমজিনবাঃ ডা. লৈশাংথেম তোন্দোন**

# চানক্য নীতি

– খুজিন থৌবশিংদা, তুরেন্দা, মচী পানবশিংদা, খূৎলাই পায়বশিংদা, নুপীশিংনা অমসুং নিংথৌ মচাশিংদা থাজবা তৌগনু।
– হুদা য়াওবা অমৃতবু লৌগনি, অমোৎপদগীসু সনাবুদি খুনগৎকনি, অতোনবা জাতি ওইরবসু জ্ঞানী ওইরবদি ইকাইখূম্নগনি, মগুণ লৈবা নুপীবুদি ফত্তবা শাগৈদগী ওইরবসু লৌগনি।
– নুপাদগী নুপীনা শরুক অনী হেন্না চায়, নুপাদগী মখোয়না শরুক মরি হেন্না শিংই, মখোয়না শরুক তরুক হেন্না থৌনা লৈ অদুগা ইন্দ্রিগী শাফূ কনবদদি নুপীদগী শরুক নিপানা হেল্লি।
– অরানবা তৌবা, অয়াকপা মতৌ, লৌনম্বা, পঙবা, হেন্না কল্লক কঞ্জাউবা, শেংদবা, থম্মোয় কনবা হায়রিবশিংসি নুপীদা য়াওবা শাগোন্নরক্লবা দোষশিংনি।
– চানীংবগা চানবা পোৎকা, লেমজনীংঙাই ওইবী নুপীগা মাবু লোয়নবা ঙম্বা শক্তিগা, লম্থুমগা দান তৌনিংবগা পূন্না লৈবা হায়বসি খজিক্তং হোৎনরকপগী মহৈ নত্তে।
– হায়বা ইনবা মচা লৈবা, মাগী অপাম্বদা তুং ইনবী নুপী, মাগী লৈজবদুদা পেন্থোকপা নুপাদি সংসারসিমক স্বর্গ ওইরবনি।
– মপা নীংবদুবু মচা কৌই, য়োকপিরিবা, পীজ–পীথক্লিবা অদুগা শেমগৎপিরিবদু মপা কৌই, থাজবা য়াবদুবু মরুপ কৌই অদুগা শান্তি পীবী অমসুং পেন্থোকহৈবীবু নুপী (মতু) কৌই।

**হন্দোকপাঃ ককচিংতাবম ব্রজমনি শর্ম্মা**

# মণিপুরী পাউখোং

২৮. লুমদৈ লুম্বা–
২৯. লম মপু–
৩০. ৱাতোন লাইমু–
৩১. ৱারক তেক্তর–
৩২. হোরফুন হোরফুম–
৩৩. হুরুরু কাতি–
৩৪. হনুবী জোনজোন–
৩৫. য়েনখা পোলাং–
৩৬. লৈনাইদবা লৈ–

***পাউখোংশিং অসি মথংগী নোংমাইজিংগী লমায় অসিদা ফোঙদোকচগনি।***

***মমাঙ নোংমাইজিংগী (১৭–০২–২০১৯) পাউখোঙ ফোঙবা***

১৯. লৈবাক হৱাই।
২০. য়াইঙং।
২১. শিং।
২২. ঙাপ্রুম।
২৩. হা।
২৪. ঙারিন।
২৫. ৱাইখু।
২৬. ঙমহায়।
২৭. নাওশেক।

# কান্ন–ৱানি খঙজীনবিয়ু

*** লশিং নৎত্রগা তেরাগী মোন লৈবীগে হায়রবদি?**

কৈথেলদা য়োনবা লশিং নৎত্রগা তেরাগী মোন লৈবীগে হায়রবদি লৈবীগদৌরিবা মোন অদুগী নাকল অমগী মচীন অনীদা খূৎ নাম্ম–নাম্মনা চেৎনা পায়শিনবিরগা মখারোমদা থক–থক নীকথবিয়ু। মনুংদা হাল্লিবা মচাক পাকশিনখ্রবদি কান্নররোইদৌবা মোননি।

*** লীক্লিগী গ্লাস চেকখায়হনবিরোই হায়রবদি?**

লীক্লিগী গ্লাসতা অশৌবা ঈশিং–চা–কোফি–শঙ্গোমনচিংবা অশাবা মহী হৈজীনবদা চেকখায়রকপা থৌদৌ অসিদি অমদসু মৈদসু ইথোক–থোক্লদুনা থেংনরিবা থৌদৌনি। মসি শুংথোক–থোকহনবীরোই হায়রবদি মহী হৈবীগদৌরিবা গিলাস অদুদা হান্না চামচ অমা থমজিনবিয়ু, অদুগা হৈবীয়ু।

*** লীক্লি (গ্লাস)কী কপ–প্লেট, পুখম–তেঙ্গোৎনচিংবা লংনা ফেঙবীগে হায়রবদি?**

হৌজিক্কী মতমদদি শ্রাদ্ধ–কর্ম, লুহোং–খোংদোংবনচিংবগী শন্দেশ অমদি অচা–অথক্লচিংবা য়েনবা অসি এলুমিনিয়ম–লংদারনা শেম্বা কন্টেনরশিংদা হাপ্নরে। অদুগুম্বা কন্টেনরশিং অদু মরক–মরক্তদি লংথোকপীখিগনু। মতুম–মতুম তাশীল্লগা অনী–অহুমদং ওইরবসু হেক–হেক থমজিনবিহৌ। অদুগা মতুমশিং অদু, লীক্লি (গ্লাস) কী কপ–প্লেট, পুখম–তেঙ্গেনিচিংবা ফেঙদোক–চামথোকপদা তক্তুনা শীজিন্নবিবতা নত্তনা থোঙ–থোঙনাও, ৱিন্দক্কীননচিংবগী গ্লাস খুদিংমক শেংদোকপদসু তক্তুনা শীজিন্নবিয়ু। অপেনবা শোয়দনা পোকপীগনি।

*(খূৎনম ৮ লক হন্না পুথোক্তুনা কোপী লিশীং কয়া য়োনখ্রবা সনথোঙ পব্লিকেসনগীদমক মণিন্দ্র কোন্সমনা খোমজিন্দুনা ফোঙবা লাইরিক ''কান্ন ৱানি খঙজিনবিয়ু'' দগী লৌথোকচবা)*